# সর্দার ভল্লভাই পটেলগী ১৪৪শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা রন ফোর য়ুনিটি পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচএনএস): যুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা সর্দার ভল্লভাই পটেলগী ১৪৪শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা রন ফোর য়ুনিটি হায়বা লমজেল্লোয় ৫০০মুক্না শরুক য়াদুনা যুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা লমথাদুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগী অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা যুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হায়খি, মণিপুর অসি ঈং-তপ্পা লমদম অমা ওইহনবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী চাউরবা থৌদাং লৈ। হৌরক্লিবা অঙাংশিং অসিনা সর্দার ভল্লভাই পটেলনা তৌরম্বা থবকশিং অদুনা নহাশিংদা ইন্সপ্যার ওইদুনা মখোয়গী পুন্সিগী লম্বীদা চৎপদা, হোৎনবদা মতেং ওইনবা পাঙথোকপা অদুগুম্বা থৌরম অমনি। সর্দার ভল্লভাই পটেল ইন্দিয়ানা মচোই মচোই তারম্বা লৈবাক অমা ওইরম্বদগী পূনশিন্নবা হোৎনবদা চাউরবা থৌদাং লৌখিবা মীশক অমনি।

বৃটিশনা ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পেনি ১৬০০ এ দিদা লীংখৎলবা মতুংদা ইন্দিয়াবু তোখায় তোখায়না তানবা য়াম্না কন্না হোৎনরম্মী। তোখায়না তাদুনা মচোই মচোই লৈরিবা লৈবাশিংবু অমত্তা ওইনা পূনশিন্নবা হোৎনবদা থৱায় থাবা ফাওবা কিখিদবা অদুগুম্বা লুচিংবা অমনি হায়খি।

গেষ্ট ওফ লনর ওইনা শরুক য়াখিবা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর ডা. হর্মিটনা হায়খিবদা সর্দার ভল্লভাই পটেলনা মচোই মচোই তারবা ইন্দিয়াবু অমত্তা ওইনা পূনশিনহনখি। মহাকপু মীয়ামনা আইরন মেন হায়নসু খঙনরিবনি। অসিগুম্বা থৌরম অসি পাঙথোকপনা হৌরক্লিবা নহাশিংদা নেসনেলিজমগী ৱাখল্লোন পোকহনবগা লোয়ননা হেন্না মরা চেৎপা লৈবাক অমা ওইহনগদৌরিবনি। ইন্দিয়ানা ইনিদপেন্দেন্ট হেক ফংবদগী সর্দার ভল্লভাই পটেলনা পোলিটিকেল লীদর অমা ওইনা লুচিংদুনা লাকখি। ইন্দিয়ানা ৬২ প্রিন্সলি ষ্টেট খাইদোক্তুনা লৈরিঙৈদা মহাক্না অচৌবা থৌদাং লৌদুনা পূনশিনহল্লি। মরম অদুনা কুমজা ১৯৯১দা সর্দার ভল্লভাই পটেলদা লেমজনীংঙাই ওইরবা হায়েষ্ট সিভিলিয়ন এৱার্দ ভারত রত্ন খূৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রাধেশ্যাম, চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবু (আই এ এস), য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী কম্মিস্নর বোবি ৱাইখোম অমদি ইন্নর মণিপুর লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রাজেননা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# ইন্দিয়াগী মৈরাবা লুৱাং কোরিয়া জুনিয়র ওপন ইন্টরনেসনল চেলেঞ্জ ২০১৯গী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে




মিরয়াং, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী): বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী লমজিং মখাদা সাউথ কোরিয়াগী সিটি মিরয়াংদা ওক্টেবরবর ২৭তগী হৌরকখিবা য়োনেক্স কোরিয়া জুনিয়র ওপন ইন্টরনেসনল চেলেঞ্জ ২০১৯ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাং নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সীদেদ ওইরিবা মৈরাবা লুৱাংনা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় ইন সিয়োক হিয়ুনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা থোইখি। অহানবা গেম অদু কোরিয়াগী শান্নরোয় অদুগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মৈরাববু লম্বা পীরকখি।

মৈরাবনা গেম অদু ২১-১৯দা থোইরবা মতুং অনীশুবা গেমদদি মহাক্না সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় অদুবু য়াম্না লাকচনা ২১-১২দা থোইদুনা সেমী ফাইনেল য়ৌরকপনি।

পনবা য়াই, মৈরাবনা মরিশুবা রাউন্দদা জপানগী শান্নরোয় য়ুদাই নগাফুচিগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা অমা পীরকখি। অহানবা গেম অদু জপানগী নগাফুচিনা ২১-৯দা মৈরাববু থোইখি। অদুবু মৈরাবনা মখা তানা শান্নরকপা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গেম অদু ইকোম কোম্না ২১-৯, ২১-৯দা থোইরমখি।

হয়েং শান্নগদৌরিবা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা মৈরাবা লুৱাংগী লম্বা অদু টুর্নামেন্ট অদুগী ৮শুবা সীদেদ অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ছটিশকুমার করুনাকরননি।

ছটিশকুমারনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় লি জু হ্বিনবু ২১-১২, ২১-১১দা থোইরমখি। লোয়ননা মহাক্না মরিশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় জাং বিয়োং চানবু ২১-১২, ২১-১২দা থোইরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অদুনা মলেসিয়াগী সো ৱৈ জষ্টিন অমসুং সাউথ কোরিয়াগী লি হাক জুগা লম্বা তৌনগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌখি। ত্রিসা হেগ্রে জপানগী মনামি সুইজুগী মখূৎতা ৫-২১, ১০-২১দা মায়থীহৌখি। অদুগা ৮শুবা সীদেদ শান্নরোয় টসনিম মিরবু কাঙলূপ অদুগী নম্বর ৱান সীদেদ ওইরিবী থাইলেন্দগী বেনয়াপা এমসার্দকী মখূৎতা ১১-২১, ১৬-২১দা মায়থীহৌখি।

মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী টসনিম মির অমদি অয়ান রসিদ ক্বার্টর ফাইনেলদা মলেসিয়াগী বেচুনমেং অমদি সেং সু হুইগী মখূৎতা লৈহৌখি।

# অহানবা ওইনা শরুক য়ারকপা ওরিষা এফ সীনা মুম্বাই সিটি এফ সীবু পাঞ্জল ৪-২দা থোইখ্রে

Match on 1st Nov. (Fri.)

NEUFC Vs FC GOA




মুম্বাই, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী): হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৬শুবা এদিসনগী ঙসি শান্নখিবা ১১শুবা লীগ মেচতা মুম্বাই সিটি এফ সী অমসুং ওরিষা এফ সী লম্বা তৌনখি।

পনবা য়াই, মুম্বাই সিটি এফ সী মেচ অনী শান্নখিবদা অমা মায় পাল্লগা অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা লৈরম্বনি। অদুগা ওরিষা এফ সীনা মেচ অনী শান্নবদা অনীমক মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট অমত্তা ফংবা ঙমখিদ্রি।

মুম্বাইগী ফুটবোল এরেনাদা শান্নখিবা মেচ অদু ওরিষাগী মায়কৈদগী হৌবগা এটেক চথবা ঙমখি। তরুকশুবা মিনটতা ওরিষাগী এদ্রিয়ান সন্টনানা হেদ তৌদুনা পীরকপা বোল অমা টিমমেট জিসকো হর্নান্দেজনা কাওশিন্দুনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

শান্নবগী মখা চথুরকপা ২১শুবা মিনটতা মুম্বাই সিটিগী মায়কৈদা ওরিষাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমগসু হাপচিনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু ওরিষাগী মায়কৈদগী মিজেরাম মচা জেরি মাওমিংথাংঙানা পীরকপা পাস অমা শান্তনানা পাঞ্জল ওন্থোকখিবনি।

অহানবা হাফ লোইশিল্লক্কদবা মতম য়ামশিল্লক্ত্রবদা মুম্বাই সিটি পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। ৪০শুবা মিনটতা ওরিষাগী মাওমিংথাংঙানা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা মুম্বাইগী মায়কৈদগী মোহম্মদ লার্বিনা পাঞ্জল অমা হনে দাকখি। ৭২শুবা মিনটতা ওরিষাগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা সন্তানানা টিম অদুগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা লৈরিঙৈ মেচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিল্লকপা ইঞ্জুরি টাইমগী মঙাশুবা মিনটতা ওরিষাগী ফ্রান্সিসকোনা শোয়বদগী কাওশিঞ্জখিবা বোল অদু পাঞ্জল ওইদুনা মুম্বাই পাঞ্জল ২ শুখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | ATK | 3 | 2 | 0 | 1 | 6 | 2 | +5 | 6 |
| 2 | Jamshedpur | 2 | 2 | 0 | 0 | 5 | 2 | +3 | 6 |
| 3 | Goa | 2 | 1 | 1 | 0 | 4 | 1 | +3 | 4 |
| 4 | NorthEast United | 2 | 1 | 1 | 0 | 2 | 1 | +1 | 4 |
| 5 | Mumbai City | 2 | 1 | 1 | 0 | 1 | 0 | +1 | 4 |
| 6 | Odisha | 3 | 1 | 0 | 2 | 6 | 6 | 0 | 3 |
| 7 | Kerala Blasters | 2 | 1 | 0 | 1 | 2 | 2 | 0 | 3 |
| 8 | Bengaluru | 2 | 0 | 2 | 0 | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 9 | Chennaiyin | 3 | 0 | 1 | 2 | 0 | 4 | -4 | 1 |
| 10 | Hyderabad | 2 | 0 | 0 | 2 | 2 | 4 | -7 | 0 |

# ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা কুমজা ২০২০ ওলিম্পিক্সকী বোক্সিং এথলেট এম্বেসেদরশিংগী লূপ শেম্বদা মেরি কোম য়াওখ্রে




ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী): ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী টাক্স ফোর্সনা কুমজা ২০২০ ওলিম্পিক গেমসকী বোক্সিং মশান্নগী ওইনা টাক্স ফোর্স অমা শেম্বদা এথলেট এম্বেসেদরশিংগী তোঙান তোঙানবা লূপ শেম্বদা ইন্দিয়াগী বোক্সর এম সী মেরি কোমগী মমিং য়াওখ্রে।

মেরি কোমনা গ্রুপ অদুগী এসিয়ন ব্লোক রিপ্রজেন্ট তৌগদৌরিবনি। টাক্স ফোর্স অদুদা য়ুক্রেনগী মমিং লৈরবা বাসিল লমাচেনকোনা য়ুরোপকী ওইবা লূপকী মহুৎ শিনগদৌরি। লোয়ননা অমেরিকা ব্লোক্কী ওইনা ওলিম্পিক অমসুং ৱর্ল্ডগী গোল্ড মেদল অনীরক ফংবা ঙমখ্রবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৫রকশু ওইবা ঙমখ্রবা বোক্সর জুলিও সিজর লাক্রুস য়াওরি।

মশাগী চহী ৩৬শুরবী এম সী মেরি কোমনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী পুৱারীদা খ্বাইদগী ফজবা বোক্সর ওইবা ঙমখ্রে। মহাক্না হন্দক্তগা রসিয়াদা পাঙথোকখিবা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌদুনা পূন্না ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী মেদল ৮ শুখি। মদুদা গোল্ড মেদল তরুক অমসুং সিলভর অমা য়াওরগা হন্দক্কী ব্রোঞ্জ অদুনা ৮ শুহনখিবনি।

কুমজা ২০১২দা লন্দন্দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা নুপীগী বোক্সিংবু অহানবা ওইনা মেদল দিসিপ্লিন ওইনা য়াওরকপা অদুদা মেরি কোমনা কিলোগ্রাম ৫১গী কাঙলূপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। মদুগী মতুং ব্রাজিলদা পাঙথোকখিবা ২০১৬ ওলিম্পিক গেমসতদি মহাক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদে। হন্দক্কী টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ক্বালিফাই ওইননবা মেরি কোম য়াম্না কন্না হোৎনরি।

ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল অমদা, মফম অমদগী এম্বেসেদর নুপা অমসুং নুপী অমমম খনগৎলে। লোয়ননা মখোয়না বোক্সিং কম্যুনিতিদা ওলিম্পিক্সকী মাঙওইননা হেন্না অফবা মশান্না অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা বোক্সরশিং অদুগা উনবা অমসুং ৱারী ৱাতাই শাবগী থবক য়াওরি।

ৱারোল অদুনা মখা তারদুনা, টাক্স ফোর্স অদুনা ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফিকেসন ইভেন্টশিং পাঙথোক্লবগী পায়খৎলক্লিবা খোঙথাংশিং অদুদা বোক্সরশিংগী মায়কৈদগী অৱাৎ অপা অমদি পেন্দবা লৈবশিং অদুগী ৱাফমশিং অদুসু মখোয়না খন্নগদৌরি।

বোক্সিং মশান্না অসি মালেমগী ওইনা এদমিনিষ্ট্রেশনগী লম্‌দা চাউনা অৱাবা অমা থেংনখ্রবনি। চহী অসিগী অহৌবদা ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসনবু ওলিম্পিক কম্পিটিসন পাঙথোকপা য়াবগী হক অদু আই ও সীনা লৌথোক্তুনা ক্বালিফায়িং প্রোসেস অদু ফাওবা আই ও সীনা কন্ত্রোল তৌশিল্লকপনি।

ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা ফোঙদোকখিবদা ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসনগী মায়কৈদগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা অহোবা লৈরকপা অমদি শেল থুম শীজিন্নবগী মতাংদসু অশোয়বা কয়া লাকপদগী মখোয়গী থবক থৌরমশিং অদু আই ও সীনা পায়শিনখিবনি।

আই ও সীগী মেম্বর অমদি বোক্সিং টাক্স ফোর্সকী চ্যেরমেন ওইরিবা মোরিনারি ৱাটানবেনা ফোঙদোকখিবদা হন্দক খনগৎলিবা কাঙলূপ শুরবা এম্বেসেদরশিংনা বোক্সরশিংগী মরমদা শুংশোয় শোয়দনা অফবা থবক কয়া পায়খৎকনি হায়না থাজরি।

# ১৩শুবা মেগা মরাথোন মণিপুর ২০১৯ য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচএনএস): য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ), মণিপুরনা কুমজা ২০০৭তগী লেপ্তুনা এথলেটিক এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী লমজিং মখাদা মপাঙ্গল কনবা মণিপুরী নেসন অমা শেমগৎনবগী পান্দম থমদুনা রন ফোর নেসন হায়বা থিমদা য়ূম্ফম ওইরগা শীনবা ১৩শুবা মেগা মরাথোন মণিপুর ২০১৯ লাক্লিবা নবেম্বর ৩দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু লৈবাক্কী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিনা মরম ওইদুনা মতম খরা য়ৈথোক্লে হায়না য়ুনাসটেদ পিপলস ফ্রন্ট, মণিপুর (য়ু পি এফ) কী কনভিনরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা মেগা মরাথোন মণিপুর অসিদা লমজেল্লোয়শিং, মিদিয়া, টেক্নিকেল, মেদিকেলগী মীওইশিং, মণিপুরদা লৈবিরিবা ক্লবশিং, ইনিদভিজুয়েলশিং অমসুং লমজেল চেল্লক্কদবা রুটতা লৈবিরিবা ক্লবশিং, এন জি ওশিং অমদি মৈরা পায়বী ইমা ইবেলশিংনা ৱারৌবিদনবা অমদি মখা তানা মরাথোন অসি শিনবদা শরুক য়াবিনবা মিদিয়াগী থোঙদা নীংশিংজরি।

লোয়ননা ১৩শুবা মেগা মরাথোন মণিপুর ২০১৯গা মরী লৈননা লৈবাক মীয়ামদগী অঙম্বা মতেং পাংবীরকখিবশিংবু থাগৎচবগা লোয়ননা মখা তানসু মতেং পাংবীনবা হায়জরি।

মরাথোন অসি মতম চানা পাঙথোকপা ঙমদবা অসি য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) মণিপুরনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা মতম অমা লেপ্তুনা অথুবা মতমদা পাঙথোকচগনি হায়না লৈবাক মীয়ামদা থজরি হায়নসু ওর্গনাইজিং কম্মিটি ১৩শুবা মেগা মরাথোন মণিপুর, ২০১৯গী কনভিনরনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।















Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com